# থাঙ-তা অসি স্কুল, কোলেজদা পাক্তক্লনা তমহন্নবা ঐখোয় পূম্নমক অমুক্তং পূনশিন্নরগা হোৎনমিন্নসি ঃ এম রাজেন

**থাঙ-তাদা মিৎয়েং অমা** | রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



মোইরাংথেম রাজেন
থাঙ-তাগী গুরু (পাহুলাশি)




হান্নগী মখা...

ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস য়ুনিয়নগী মখাদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা এসিয়ন থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা সনাগী মেদল ১১ ফংলগা অহুমশুবা পোজিশন তারকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংদি সাউথ কোরিয়া, ফিলিপিন্স, কম্বোদিয়া, রসিয়া, উজবেকিস্টান, নেপাল, সিঙ্গাপুর, মালেসিয়া, শ্রী লঙ্কা, থাইলেন্দ, পাকিস্টান, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইন্দিয়ানি। থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ অদুদা উজবেকিস্টাননা সনাগী মেদল ১৩, লুপাগী মেদল অহুম, সেঙ্গেংগী মেদল অহুম ফংলগা টিম চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা ফিলিপিন্সনা সনাগী মেদল ১১, লুপাগী মেদল অমা ফংদুনা অনীশুবা তাখি।

এসিয়ন থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ অদুগী সব জুনিয়রগী চাংয়েংনবা অদুগী কেজি ৩৭ মখাগীদা ইন্দিয়াগী জাকিরিয়া য়াসিনভাত, ৱাহেংবম ক্লিন্টন (কেজি ৫৩ মখা), ৱাহেংবম পৃথিবীরাজ (কেজি ৫৩ মথক) না মথংশিংনা সনাগী মেদল লৌরকখি। নুপীমচাগী কাঙলুপ্তসু ৱাইখোম সোনিয়ানা সনাগী মেদল ফংলকখি। জুনিয়র বোইজগী কম্পিটিশন্দসু পুখ্রম্বম হেপারি মীতৈ (কেজি ৫২), নামৈরাকপম লময়ানবা মঙাংনা (কেজি ৫৬ মখা) গোল্ড মেদল লৌরকখি।

অসিদসু নত্তনা সেনিয়র ব্লেক বেল্টকী ফুনবদা লাইময়ূম তোমপাপু শর্ম্মা (কেজি ৬৫ মখা), অয়াজ অহমদ (কেজি ৭৫) অমসুং মহমদ ইকবাল (কেজি ৮০) না সনাগী মেদল পুরকপা ঙমখি। অদুগা ইন্টরনেসনল মার্সিয়েল আর্ট কন্টেষ্টতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা মণিপুরী মচাশিংনা অহুমশুবা পোজিশন তারগা হল্লকখি। মালেমগী লৈবাক ২৮ না শরুক য়াখিবা কম্পিটিশন অদুদা মণিপুরী মচাশিং ফজনা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখি।

অমরোমদা, পাহুলাসিদগী হৌখিবা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্তগী ইরেংবম অজয়কুমারনা কুমজা ২০১৫ গী জুলাই তাং ৩১ দগী ওগষ্ট ২ ফাওবা পঞ্জাবকী অমিটসরদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন কপ থাই বোক্সিং টাইটল চেম্পিয়নশিপ ২০১৫-১৬ কী সেনিয়র ওপন ফুল কন্টেক্টকী (কেজি ৬৬ কী) চাংয়েংনবদা সনাগী মেদল অমা লৌরকখি। অসিদসু নত্তনা কুমজা ২০১৫ দা ইম্ফাল অমসুং দিল্লিদা তৌখিবা ৬০ শুবা নেসনল স্কুল গেমসতসু পাখঙবা হুয়েল লাল্লোং শিন্দমশঙ (পাহুলাসি) গী শান্নরোয়শিংনা সনাগী মেদল অমা, লুপাগী মেদল অমা, সেঙ্গেংগী মেদল অমা লৌরকখি। লোয়ননা পোন্দিচেরিদা হায়রিবা চহীদুমক্তদা পাঙথোকখিবা ২১ শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তসু পাহুলাসিগী শান্নরোয়শিংনা সনাগী মেদল ১১, লুপাগী মেদল অনী, সেঙ্গেংগী মেদল অনী ফংলকখি। ইম্ফালদা তৌখিবা আর কে সনাহল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন এন্দ ৱিমেন থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। অসুম্না পাহুলাসিগী মহৈরোয়শিংনা থাঙ-তাগী ওইবা কম্পিটিশন কয়াদসু মণিপুরগী মীংচৎ তত্তনা পুরক্লি। থাঙ-তা ফেদরেশন্না শিন্দুনা চহী খরগী মমাঙদগী শ্রী লঙ্কাদা তন্বীরুবদগী হৌজিক শ্রী লঙ্কাদা অনৌবা য়াওল অমা লাকখ্রে। মথং থা ওগষ্টকী ২১ দগী ২৫ ফাওবা শ্রী লঙ্কাদা এসিয়ন স্কুল গেমস থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কদৌরি। স্কুল স্কুলশিংদা অখন্নবা সবজেক্ট ওইনা য়াওহনবদগী শ্রী লঙ্কাদসু য়াম্না থুনা ইমপ্রুভ লাকখ্রে। ইনখৎলকপা অঙাংশিংদা তন্বীবদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা গেম অমসু থাঙ-তা অসি ওই। তপ্না তপ্না শাজেল কাঙলোনগা লোয়ননা শান্নরকপসিনা হেন্না মপুং ফাবসু ঙম্মী। এসিয়ন স্কুল গেমস অসিদা পাহুলাসিগী ওইনসু অঙাং ১৬/১৭ রোম শরুক য়ারুনবা হৌজিক মরী লৈনবা চে চাংনচিংবগী শেম শাবা লোইরে।

অমরোমদা, ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস এসোসিএশন্নসু মালেমগী ওইনা লৈরিবা মার্সিয়েল আর্টসকী ওইবা মশান্নশিং অসি ফজনা তাশিন খোমজিন্দুনা থম্নবা হোৎনরক্লি। ফুন কাঙলোন, থাঙ-তাগী ফজবশিং অসি তুংকোইনা য়োকখৎতুনা থম্নবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎলক্লি। অদুগা ঐখোয়গী অঙাংশিংনা হৌখিবা চহীদা তৌখিবা ৱর্ল্ড মার্সিয়েল আর্টস চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল পুরকখিবদুমক্না চাংয়েংনবদা মালেমগী শান্নরোয়শিংনা হেনবগী নত্তে। শুপ্নগী মী ১৪/১৫ (ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা) খক্তং চৎপগীনি। ৱর্ল্ড মার্সিয়েল আর্টসকী মনুং চল্লিবা মশান্না পূম্নমক্তা শরুক য়াবা ঙম্লবদি গোল্ড নৎত্রগা শিলভর ফাওবা পুরকপা ঙমগনি।

থাঙ-তা অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা হান্না থৱায় য়াওনরমদবা ষ্টেট খরদসু অনৌবা মিৎয়েং থম্নরক্লি। জম্মু কাশ্মীরগী নুপী ফাওবা হৌজিক্তি মকোক্তা ফি মচা অমা কুপ্পগা শান্নবা হৌনরক্লে। থাঙ-তা হায়বা গেমস অসি চাউখৎহন্ননবা পান্দমদা স্কুল গেমসকী চেম্পিয়নশিপ, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিনবা কম্পিটিশন অমদগী মেদল অমা হেক পুরকপা ঙম্বদা গভর্ণমেন্টনা থবক পীনবগী থৌরাং লৈখ্রে। কোচনচিংবদসু মনা মথুম চাওনা চাওনা পীদুনা হোৎনরকপদগী জম্মু কাশ্মীরদা স্কুল তল্লিবা মহৈরোয় নুপীমচা কয়া নোংমা নোংমগী থাঙ-তা শান্নবা মশীং হেনগৎলক্লি।

ইশাগী ষ্টেট মণিপুরগী ওইনসু, থাঙ-তা অসিদা হেন্না পূক্লিং চঙশিন্দুনা স্কুল স্কুলশিংদা পাক্তক্লনা তমহন্নবগী অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা তঙাইফদ্রে। লমদমসিদা থাঙ-তাগা মরী লৈননা লৈবিরিবা খ্বাই পূম্নমকসু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরগা ইপা ইপুনা থন্বীরম্বা মহৈ অসি অমুক্তং হেন্না মশক মচু থোক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়জরি।

- লোইরবা-

# রুমেন নেসনল লীগকী প্রি ক্বালিফাইয়িং রাউন্দগী অনৌবা ফিকচর ফোঙলে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ :

ইন্দিয়াদা নুপীগী ফুটবোল হেন্না চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শীন্দুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীগী নেসনেল লীগতা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুরদগী নুপীগী টিম খন্নবগীদমক ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা প্রি ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ থা অসিগী ২১ দগী খুমন লম্পাক অর্টিফিসেল টর্ফতা পাঙথোক্লগনি।

প্রি ক্বালিফাইয়রস ৱিমেন'স লীগ অসিগী ফিকচর অস্ফানা মমাঙদা থোকখিবা অদু নোংমা য়ৈথরগা থা অসিগী ২২ দা হৌরগনি। মসিগীদমক অস্ফানা রিভাইস ফিকচর অমা থোকখ্রে। প্রি ক্বালিফায়রস ৱিমেন'স লীগ অসিদা লমদমসিগী মমীং লৈরবা নুপীগী ফুটবোল ক্লব ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল, ক্রিপসা নাওরেমথোং, মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি), এন ৱাই টি ঐচ সি ওক্রম চুথেক অমসুং ঈ এস য়ু ৱাংখৈনি।

হায়রিবা ৱিমেন'স লীগ অসিদগী টোপ টিম অমা খনগৎতুনা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ৱিমেন লীগতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি।

## FIXTURE

### Pre-Qualifying Round for Women's National League 2016

***Participating Team :*** YWC, Langthabal, KRYPHSA, Naoremthong, MPSC, Imphal, NYTHC, Okram Chuthek, ESU, Wangkhei

| Date | Time | Teams | | | Match No. |
|---|---|---|---|---|---|
| 22-7-2016 | 1:30 P.M. | KRYPHSA (Light Blue-light blue-White) | VS | ESU (Maroon-Blue-M/Blue-Blue) | 1 |
| | 3:30 P.M. | MPSC (Blue-Blue-Blue) | VS | NYTHC (Red-White-White) | 2 |
| 24-7-2016 | 1:30 P.M. | MPSC (Red-Red-Red) | VS | YWC (White-White-White) | 3 |
| | 3:30 P.M. | NYTHC (Red-White-White) | VS | ESU (Sky Blue-Sky Blue-Blue) | 4 |
| 25-7-2016 | 1:30 P.M. | NYTHC (Red-White-White) | VS | KRYPHSA (D/Blue-D/Blue-Blue) | 5 |
| | 3:30 P.M. | ESU (Maroon-Blue-Maroon-Blue-White) | VS | YWC (Orange-Orange-Orange) | 6 |
| 27-7-2016 | 1:30 P.M. | ESU (Sky Blue-Sky Blue-Blue) | VS | MPSC (Red-Red-Red) | 7 |
| | 3:30 P.M. | YWC (White-White-White) | VS | KRYPHSA (D/Blue-D/Blue-Blue) | 8 |
| 29-7-2016 | 1:30 P.M. | YWC (White-White-White) | VS | NYTHC (D/Blue-Red-Red) | 9 |
| | 3:30 P.M. | KRYPHSA (Light Blue-light blue-Blue) | VS | MPSC (Red-Red-Red) | 10 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১২

1. শগোল কাঙজৈ শান্নবদা অহল্লুপ পানানা করি মচুগী ফুরিৎ লিৎপগে?
2. ধ্যানচান্দ এৱার্দ ফংবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী শান্নরোয়সু ওইরম্বা, কোচসু ওইরিবা মীশক অদুগী মমিং করি কৌবগে?
3. মহারাষ্ট্রগা কথিয়াৱারগা কুমজা ১৯৪৮-৪৯ দা রঞ্জি ট্রোফি মেচ বোম্বে/মুম্বাইদা শান্নখিবদা মহারাষ্ট্রগী নিমবালকারনা রন ৪৪৩ লৌদুনা দোনাল্ড ব্রেদমেনগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ রন ৪৫২ য়ৌগদবা খজিক্তং ঙাইরম্মী অদুবু চা থকপগী পোত্থাবা মতমদা শান্নবা লোইশিন্দ্রিঙৈদা কথিয়াৱারগী টিম ময়ূমদা হনখি। করি মরমগীদমক টিম অসিনা ময়ূমদা শান্নবা লোইদনা হনখিবনো?
4. ওলেম্পিক্তা লমজেল চেনবদা উপলিবা খোঙউপশিং অদুগী খুগাদা পাল্লিবা য়োৎপীশিং অদু কয়া য়াম্না শাংবা ফাওবা য়াবগে?
5. এফ্রো এসিয়ন গেমস (হায়দ্রবাদ) দা সনাগী মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমগী কেপ্তেন কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ২২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসননা রাটচানোক ইন্টানোনবু ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা য়াহনখ্রে

কৌলালম্পুর, জুলাই ১৮ ঃ

হান্নগী বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন রাটচানোক ইন্টানোনগী নিয়ম কায়না দোপিং চৎখিবা অদুবু লোইশিনখিবগা লোয়ননা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবগী অয়াবা ফংখ্রে।

বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) না নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা চেরোল অমদা হায়, ৱর্ল্ডগী নম্বর ৪ শুবদা লৈরিবা রাটচানোক্কী প্রোভিজনেল সস্পেন্সন অদু লৌথোক্লে অমদি থাইলেন্দগী ওলেম্পিক মেদলগী অশা তৌরিবা শান্নরোয় অসিবু খুদক্তা কম্পিটিশন্দা হল্লকপদা অয়াবা পীরে হায়রি।

থাইগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা রাটচানোকনা মমিৎতগী মপি তানা মহাক্কী নুঙাইবগী পাউ অদু লাউথোকখি। মহাক্না হায়খি, ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা হায়বসি ঐগী মঙলাননি। ঐনা ওলেম্পিক্সতা চৎনবগীদমক মতেং পাঙবীখিবা টিমবু থাগৎলি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম্বু পাউচে বেঙ্কোক পোষ্টকী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখি।



মহাক্না হায়, ঐগী খঙজদবা মতৌদা ঐনা মতম চুপ্পদা থাজবা থম্মী। ঐনা অরানবা থবক অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়খি।

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা থাইগী অহানবা নুপী সিঙ্গলসকী রেঙ্ক নম্বর ৱান ওইখিবদগী নেসনল হেরোইন ওইখিবা রাটচানোকনা হায়খি, মহাক্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী ট্রেনিং চত্থবা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

রাটচানোকপু বেদমিন্টন ফেদরেসন্না ইনভেষ্টিগেসন তৌরিঙৈদা ট্রেনিং চত্থদনবা লেপহন্দুনা থমখিবনি।

বি দব্লিয়ু এফনা থাংজ নুমিৎতা রাটচানোক্কীদমক ভিদিও কনফরেন্স পাঙথোক্তুনা দোপিংগী হিয়ারিং চত্থখি। রাটচানোকনা চহী অসিগী মে ১৫ দা চিনাদা পাঙথোকখিবা থোমাস অমদি উবের কপ ফাইনেল চত্থরিঙৈ মনুংদা লৌখিবা সেম্পল অদু ট্রিয়ামসিনোলোন এসেটোনাইদ শীজিন্নরম্বগী পোজিটিব ওইখিবনি। হায়রিবা সবষ্টেন্স অসি কম্পিটিসন মনুংদা শীজিন্নবদা অথিংবা থল্লিবনি।

বি দব্লিয়ু এফনা হায়, মশাগী চহী ২১ শুরবা রাটচানোক্কী মেদিকেল বেকগ্রাউন্দ অমদি ট্রিটমেন্টগী রেকোর্দশিং হিয়ারিংগী শরুক অমা ওইনা সমিট তৌখি। লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্সতা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি ওগষ্ট ১১ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। পোষ্টনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা থাই বেদমিন্টনগী মেম্বর তরেৎনা শাবা টিমনা সপোর্টষ্টাফকা লোয়ননা রিও দি জানৈরোগীদমক ওগষ্ট ১ দা বেঙ্কোক থাদোক্কনি।

পনবা য়াই, রাটচানোক ইন্টানোন্না মালেমগী ওইবা বেদমিন্টন মশান্নদা শরুক য়ারকখিদুনা মহাক্কী লৈবাকপু মালেমদা মশক তাকখি। মহাক্না মালেমগী ওইবা লেমজনিংঙাই ওইরবা কম্পিটিশন কয়াদা শরুক য়াদুনা মিংচৎশিং লৌখ্রে অমদি ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা অহানবা মফম ফাওবা কনবা ঙমখ্রে।

মহাক্না ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াননবগীদক মঙজরকখিবা মঙলান অদু থুংলরোইদ্রা হায়না লৈরুবা অদু বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন্না অথিংবা লৌথোকখিবদগী শরুক য়াবা ফংলগদবদা হেন্না নুংঙাইবা ওইহল্লে হায়রি।





HL-B/3127/7/6-6/7




HL-P/8883/17/6-14/8 (alt)




HL-B/3157/29/06-28/07

